ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯱꯵, ꯲꯰꯲꯴, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯸ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯹꯲ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, ওক্টোবর ১৫, ২০২৪, ইম্ফাল
৪৮শুবা চহী, ১৯২শুবা মশীং

# এন্টি-এক্সটোর্শন সেল
## থোইদিং হৈদোল্লকপা খুনবা তাহন্নীংদে

ওক্টোবর ১২, ২০২৪দা মণিপুর পুলিসকী আই জি পিগী রেঙ্কতা লৈবা সিনিয়র ওফিসর অনীনা লুচিংবা টিম অমনা পাউগী মীফম ফাওবা পাঙথোক্তুনা দিপার্টমেন্টসিগী এন্টি-এক্সটোর্শন সেল’ অমা হাংদোক্লে, দিষ্ট্রিক্ট পুলিসশিংদসু অতৈ সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগা খুৎশম্নরগা ‘ক্রেক টিম’ শিং শেম্লে হায়না লাউথোরকখ্রে। দিপার্টমেন্টসিদা হান্না লৈরমদবা সেল অমা হাংদোরক্লিবা অমসুং ক্রেক টিমশিং শেম্লে হায়রিবসি তঙাইফদনা মথৌ তারকপদগী হায়বদি ‘দিপার্টমেন্ট’ অসিদা ‘নীদ ওফ দি অৱর’ ওইরকপদগী হাংদোরকপা অমসুং শেম্নকপা মওইরিনি। হায়সু হায়বনি, বোম থল্লম্বা, লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্বা, নোংমৈ কাপশিনবা, শেলগী দিমান্দগীনি হায়দুনা মী ফাবা-পুনবগী থৌদোকশিংসি ওন্থোক্লা য়াম্না থোকচিল্লকখ্রে। নোংমতা কাংদনা অমসুং খুরক হাঙদনা থোক্লে হায়বা ফাওবা য়ারক্লে। দিমান্দসু পুবা-থাংবা ঙম্লোইদবা দিমান্দশিং ওইরকপা অমসুং মসিগীদমক থোরক্লিবা থৌদোকশিংসিসু তাবা-হৈবা ঙম্নক্তবদগী শেম্নকপা হাংদোরকপা ওইদোইনি। মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টনা থৌদোকশিংসি থোকহন্দনবা অমসুং থোরকপগী মায়োক্তা হেন্না মঙম শান্না লোগী থবকশিং লৌখৎনবা হোৎনরকপনি লৌই। ফজ খ্রবা, তৌফমসু থোক্লবা থবকসি ময়োল চোংখৎলকপদদা ফৎখিদ্রবা তীলদৌনা চিকথৎপগী ৱাফমদি নত্তে। হৌরকপগা হেক্তা খৌনাওদগী চোংথোরক্তুনা লাকপগী ফীভমসু নত্তে। শুম্নমক্তবু দিপার্টমেন্টসিগী হৌখ্রবা পুৱারীশিং ফাক্কৎলুবদদি জাৎ-জাৎ থেংনৈ হায়বনি। এন্টি-এক্সটোর্শন সেল হাংদোক্লে অমসুং ক্রেক টিমশিং শেম্লে হায়দুনা লাউথোকপদা য়াওখিবা আই জি পিশিংদুগী মরক্তগী অমনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এস পি ওইরিঙৈদা ওইরমাল্লে, ঙসিদগীনা চহী ১৪ রোমগী মমাঙদসু মণিপুর পুলিসকী ‘স্পেসল ইন্টেল্লিজেন্স য়ুনিট’ (এস আই য়ু) হায়বা’মা শেমখি। মদুসু তঙাইফদনা মথৌ তারকপদগী শেমখিবনি। এস আই য়ু অদুগী ওফিসর-ইন-চার্জ ওইখিবা ইন্সপেক্টর কে রঞ্জিৎনা লুচিংবা টিম্না মশক থোকপা-নাইবা থবক কয়া তৌথোরকখি। ইম্ফাল এয়রপোর্টতা দেক্কান কার্গোনা পুরকখিবা কার্টোন বোক্স ৭ পীক থনবা ইল্লিগেল দ্রগশিং ফাওবা ফাগৎলকখি। কেসতু শীংজমৈ পি এসতগী সী বি আইদা ফাওবা শিন্নখি। কেসতুগী এক্ক্যুজশিংনি হায়দুনা চার্জ তৌরিবশিংগী মরক্তগী অমদি এম এল এ ফাওবা ওইরম্লগা মিনিষ্টর ফাওবা ওইখ্রিবনি। এস আই য়ুগী ও সী ওইখিবা ইন্সপেক্টর কে রঞ্জিৎকী য়ূমদা ফাওবা নোংমৈ কাপশিল্লম্বদগী নম্বোল পি এসনা কেস ফাওবা লৌখৎখি।

অদুবু অদুক য়াম্না মপাঙ্গল কন্না থবক তৌরকখিবা এস আই য়ু কুইখিদে। মতম খরা লৈরগা মূখৎখি। মসি হায় হায়দুনা হাংদোক্লে অমসুং শেম্লে হায়রিবা এন্টি এক্সটোর্শন সেল অমসুং ক্রেক টিমশিংসু খরা লৈরগা এস আই য়ুগুম্না ঈয়াইগী কোঙ্গোল ওইখিনি হায়বা নত্তে। ওইহল্লক্তনবা হায়বগী ৱানি। অদুবু হৌজিক তৌনরক্লিবা এক্সটোর্শনগী থবকশিংসিদি অদুম মখা তানা তৌনরকখিগনি খল্লি। থৌদোকশিংসি থোরকহন্দনবা হোৎনবদা মতৌ করম্না করিদগী থোরকপনো হায়বদুসু থিদোক্কদবনি। এক্সটোর্শনদা শীজিন্নরকপা বোম (গ্রেনেদ) অয়াম্বা ইন্দিয়ানা শাবা পোইন্ট ৩৬কী হায় এক্সপ্লোসিভ হেন্দ গ্রেনেদশিংনা অয়াম্বনি। মসি ওইরগদি বোমশিং অসি কদাইদগী ওইরমগদগে? শীজিন্নরকপা নোংমৈ মরূশিংসু ইনি দয়ানা শাবা তোঙান-তোঙানবা কেলিবর নোংমৈশিংগী মরূশিংনা নম্মী। মসিনা কদাইদগী ওইদোইনো? পাউগী মীফমদুদা খুল ঙাকপদা শীজিন্নবা খূৎশু-খূৎলায়শিং এক্সটোর্শনদা শীজিন্নরব্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি। থা ১৮ ফাজিল্লক্লবা লানসি লোইশিন-খামজিন্দুনা লেপহল্লদি ‘পুবা-থাংবা ঙমদবা দিমান্দশিং তৌবীগনু’ হায়দুনা লৈঙাক্কী লোয়শঙগী থৌমী ফাওবা য়াওনা মচি-মচিদা মীয়াম্না ৱাকৎ খোঙজং চঙশিল্লবা ফাওবা এক্সটোর্শননি হায়বা থৌদোকশিংসি থোরক্লমগদ্রা? মীয়াম্না য়ানীংদ্রে খঙনা খঙনা তৌরক্লিবশিংসিগী মরমশিং শোয়দনা লৈগনি। মসি হায়রে হায়দুনা এক্সটোর্শন্নিষ্টশিংবু শৌগৎপা, মখোয়গী মীচংদা লেপ্পগী ৱা নত্তে। মরম লৈহন্দ্রবদি তৌরক্লোই হায়বনি। লান খক্কী ৱা নত্তনা মসি হৌরকপদগী মণিপুরগী মীয়ামগী শেন্মীৎলোনগী ফীভম কদাই য়ৌখ্রবগে হায়বা খঙলিবা নৎত্রা? চঙ ফংনা শোকচিনখ্রবনিনা ইপা-ইপুশিংনা হায়রম্বা, চুমসু চুম্বা ‘চানবা লৈতে তখেন্থাং’ হায়বদুগী ফীভমদা তারকপা হায়বসিদি মশানা তাবনি। শেল দিমান্দ তৌবদি থম্বু থমখো, লানসিনা লিশাং-শিৎনা চখরল্লবদি মণিপুরগী মীয়াম হিংননবা চানীংঙাই-থক্লিংঙাই ফাওবা নৌশিল্লক্তদুনা অঙম-অঙম্বা হাৎলগা চাথোক্লবগী ফীভম ফাওবা য়ৌরকখিদোইনি। সেল অমসুং ক্রেক টিম শেম্নক্লিবসিবুদি ফৈ। তোঙান্না মথৌ শঙলগা অতম্না থবক তৌরক্লবগী পাম্বেনি। তঙাইফরক্তবদি লৈবাক শিনবা থুংনা চৎনরক্লিবা বি এন এস অমসুং বি এন এস এস অসিগী প্রোভিজনশিংদগী হেন্না মপাঙ্গল কনবা এক্ট অমসুং রুলশিং মণিপুর লৈঙাক্লা শেমজবা ফাওবা য়াই। অদুবু অসিগুম্বা থৌদোকশিং থোরক্লিবা মণিপুরী খুন্নাইগী ফীভম কদাই য়ৌরবগে হায়বসিসু নৈনবা চুমগনি। খুন্নাইসিগী ফীভম ফগৎলক্ত্রিবা মখে অনৌবা থৌদোকশিংসু থোরকপা য়ারিবনি। তৌরনি হায়রবনিনা ‘ইন্টিগ্রিটি’ না য়োল্লগা তৌহন্নীংই। মতু খরা লাংশিন্নবা পাংন-শান্নবা তৌবা ওইরদি থোইদিং পোৎ’মা হৈদোল্লগা খুল্লি হায়বদু তারক্কনি হায়বনি।

# ꯑꯦꯟꯇꯤ-ꯑꯦꯛꯁꯇꯣꯔꯁꯟ ꯁꯦꯜ
## ꯊꯣꯏꯗꯤꯡ ꯍꯩꯗꯣꯜꯂꯛꯄ ꯈꯨꯟꯕ ꯇꯥꯍꯟꯅꯤꯡꯗꯦ

# মণিপুরগী গন কলচর অমসুং কাওবোয় ফিল্ম!

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৮৩২**

**জিতেন নামৈরাকপম**

মতম অদু নীংশিংলকই। অঙাং ওইরিঙৈ হায়বা তাই। মণিপুরদা টেলিভিজনগা লাক্ত্রিঙৈ মতমদুনি। হৌজিক্কী মতমগী মী খুদিংমক্কী মোবাইল ফোন পায়নদুনা নুমিৎচুপ্পা মতম লেন্নবগী পোৎশক অমফাও থোরকপসু নৎত্রি। মতম অদুগী মতম লেনফম হায়ববু লম্পাক্তা চেন চোংদুনা শান্নবা, মার্ব্বল কাপ্পা, চেগায় হুনবী, ধাকা শান্নবা (চুরুট উপুগী চে থান্নবা), চৈতেক কোৎপী, ফিবুল হাইবী, অথালি-পথালি, উ লাউবী, মরূম কোনবী, বোল শান্নবা (বোল, ফুটবোল লৈতদনা নোবাব হেক্লুরগা কাউদুনা শান্নবা)... মখল-মখলনি ওন্থোক্লা য়ামখ্রে। হৌজিক্তি অঙাংশিংনা খঙবা উবজাৎ নৎত্রে। হৌজিক্তি মখোয়না ৱারীখক তাবা নত্তনা উজগে হায়বদা ফংলরোই।



অঙাং ওইরিঙৈগী কোয়চেন চেন্দুনা শান্ন-খোৎনবগী হেক লৈখৎলকপদা মতমদুগী ওইনা মতম লেনফম হায়ববু রেদিওদা লীলা-দ্রামা, ঈপোম, তাবীনীংবা ঈশৈ, মনি-মালাগী চিঠি পাউখুম, তরেৎ মখায়গী পাউ অমদি অতৈ অতৈ থৌরমশিং তাবনি। মদুগী মখা তারকপা ওইনা মহৈ খরা খরা তম্লকপদগী হৌরদুনা আউটবুক নোবেল পাবা, মখল-মখলগী ৱারী, নোবেলগী আউটবুক ৱায়ন-ৱায়নরগা পাবতদা লাইরিক্কী মখুম শেগায়দবা অমত্তা য়াওরমদে। নাইন্টিন আইটিজগী মতম ওইরমগদ্রা খল্লি। মৈনম ভোরোতনা ইবা ‘মেদাম’ মমিং য়াম্না চৎখি। ৱায়ন-ৱায়নরগা পাবখক্তদা লাইরিক লৈজরুবা লাইরিক মপুগী মখূৎতা অমুক হন্না হল্লকপগী ৱাদি লৈত্রে। মথং-মথং ৱায়নখিদুনা আ য়ৌখি। মণিপুরগী মপান্দা লাইরিক তম্বা চৎখিবা মহৈরোয় নুপীশিং ৱায়নরগা পানবা মুন্নবদা শেগায়খিবা মখলগী লাইরিক আউটবুক্কি হায়নখি।

অইবা ইশামকসু আউটবুক মশীং থিঙমদনা পাখি। বেঙ্গলীদগী মণিপুরীদা হন্দোক্তুনা ফোঙখিবা নোবেলশিং অনারকলি, কৃষ্ণ কান্তগী ৱিল... করি-করিনো কাউখ্রে। টেগোরগী, সরতচন্দ্র চট্টোপধ্যায়গী, বঙ্কিমচন্দ্রগী ফনা য়াম্নদি পাখিবনি। ঐখোয়’ মণিপুরগী ওইনসু ওন্থোক্লা য়াম্না পাখি। পাচা মৈতৈগী ‘ইম্ফাল অমসুং মাগী ঈশিং নুংশিৎকী ফীভম’ জিওগ্রাফিগী লাইরিক ওইরবোই নীংলুবদু ওইরমদে। ইম্ফালদা মতমদুদা চৎনরম্বা পূন্সি মহিং, চৎন-লোনচৎ, হোটেলগী ৱারী ওইরম্মী। ওজা কুঞ্জমোহোনগী ‘ইলিশা অমগী মহাউ’ সু পাখি। মখা তানা পাখিবশিং নীংশিংজরবদা মমাঙ লৈকায় থম্বাল শাৎলে, ঙাবোংখাও, পিষ্টল অমা কুন্দালৈ অমা, কর্ণগী মমা অমসুং কর্ণগী অরোইবা য়াহিপ, লমাবম বিরমনিগী চেক্লা পাইখ্রবদা, অতৈ অতোপ্পা ৱারীমচাশিং বীর টিকেন্দ্রজিৎ রোদ, মমাঙথোঙ লোল্লবদি মনীংথোঙদা লাকউদনা, তৎখ্রবা পূন্সি লৈপুল, নুমিৎতি অসুম থেংজিল্লক্লি, নোংদি তারকখিদরে মখোয় খরসি নত্তবসু পাখিবনি অদুবু কাউথোকখ্রে। পঞ্জখিবা লাইরিকশিং অসিগী মহাউ ফজনা লৌখি।

মথক্কী পঞ্জখিবা লাইরিকশিং অসিদা নাইন্টিজগী মতমদা থেংনা পাখিবসু য়াওখি। মতমদুগী মতম লেনফম, শান্ন-খোৎনবা, রেদিও তাবা, আউটবুক পাবসিগী মথক্তা হেন্না পামজখিবনা সিনেমা হোলদা চৎতুনা ফিল্ম য়েংবনি। মতমদুগী মীওই অয়াম্বা সিনেমা হোলদা চৎতুনা টিকেট কল্লগা সিনেমা য়েংনবমক্তনি। হিন্দি ফিল্মগী মমিং চৎল-চৎলবা ফিল্ম কয়া য়েংখ্রগসু খরা ঙনখৎলিঙৈ মতমগী ইংলিস ফিল্ম ইম্ফাল টোকিজদা চৎতুনা য়েংবসিমদি শোয়দ্রবনি। মতমদুগী কাওবোই ফিল্ম অঙকপা অমগা লোয়ননা ফিল্ম ষ্টার হিরোশিংনা তৌথোরকপা এক্সনদা ঙাউনখিবমক্তনি। টুপি অপাকপা উপ্পগা দম্বুরগী ফিজোল শেৎলগা শগোল থৌদুনা চৎলগা অঙম অঙম্বা কাপ-কাপ্তুনা হাৎনবা, মখূৎ চুম্বা তান্নবা ফিল্ম হায়রগসু খঙনবনি। মখ্বাংদা য়াম্থদুনা য়েপ্লিবা নোংমৈ রিভোলভর অদু খুদক্তা থুনা শৎলগা কাপথৎনবা, থুবা তান্নবা, মী অশিবগসি থৌরীনা পুল্লগা শগোল থৌরগা চিংদুনা পুবা, মখল-মখলগী মীহাৎনি। মদুবু ঐখোয়না ‘শৎপা হানবনা জয়’ হায়রগসু খঙনৈ।

মতমদুগী অফাওবা কাওবোই হিরো ওইখিবা বেন জোন্সন, ফেঙ্কো নেরোগী ‘জাঙ্গো অনচেইন’ এন্থোনি কুইনগী ‘ওমর মুখটার’, ক্লিন্ট ইষ্ট ৱুদকী ‘দ গুদ, দ বেদ এন্দ দ অগ্লী’ কাউবা ঙমদে। অসিদসু নত্তে, মতমদুগী হিরো জোন ৱেয়নি, গেরি কুপর, টোম মেক্স, গিনি অউট্রি, অথেংবা মতমদনা এন্টোনিও বান্দেরাসকী ‘দেসপরেদো’ মমিং চৎখিবা ফিল্মনি। অসিদসু নত্তে ‘দি মেগ্নিফিশিয়ন্ট সভেন’, ‘ফোর এ ফিয়ু দোল্লরস মোর’, ‘ৱান্স অপোন এ টাইম ইন দ ৱেষ্ট’, ‘দি মাস্ক ওফ জোরো’ নীংশিংবা খরদুনি ইজরিবসি। মরূ ওইনা সাউথ অমেরিকাগী কলম্বিয়া, মেক্সিকোনচিংবদা চৎনরিবা মতমদুগী লোনচৎ-শাজৎ, পূন্সি মরেল, দ্রগ কার্টেলশিংনা পানবা মফম, গেঙ খূৎপু-খূৎপু, তৌনীং-তৌনীংবশিংনা তৌবদা থিংবীনবা লৈতবা, আইন লৈতবা মফম ওইনা উৎখি। য়ু থকফম বারদা চঙলল্লগা অফাওবা শান্নবা, কাপথৎনবা, অঙম অঙম্বনা হাত্তোক্লবগী মতৌনি কাওবোই ফিল্মস।

মীওই খুদিংমক নোংমৈ অমমম লোইনা পায়নবা, খ্বাংদা খূৎ থন্ফম মপাদা অতেনবা রিভোলবর অনী য়াল্লগা নোংমৈ অশাংবনা নঙ্গলদা ফৈনগা য়াল্লগা শগোলগা উফুল মরক্তা য়াঙনা-য়াঙনা থৌনবা ফিল্মশিংদু নীংশিংলক্লিবসি হৌজিক মণিপুরগী ওইরক্লিবা ফীভম অসিদনি। মণিপুরসি লানগী ৱা তোকথোকখ্রগা নোংমৈগী ৱারীতনা শৌ শারক্লে। দিমান্দ লেট্টর, এক্সটোর্শন, এবদক্সন, কিদনেপিং, রেন্সম, ব্লেক মেইল, ফোনদা কিহনবী, য়ূমদা বোম থল্লম্বা, নোংমৈ কাপশিল্লম্বনা নুংতিগী ৱারী ওইরক্লে। নোংমৈ য়াম্না হোঙবা, মী খুদিংমক্লা পায়নবগী মওংদা লাক্লে। কনানা কনাবুসু উশিৎনদ্রে। শেনখায়-থুমখায়গী চৈথেংদা খাঙবা লাকপা ঙম্নদবগী মওংদা লাক্লে।

মীয়াম্না মমিং খঙনরবা কাঙবুসু মমিং খঙদবা লন্নাইগী লূপ্পু ওইরো দোনেসন অঙম অঙম্বা হাপহনবদু কাউথোকখ্রগা নমদুনা মুনবা, কিহন-খংহল্লগা শেল খায়বগী চৎনবী অমা কন্না হৌদোরক্লি। বিজিনেস তৌববু ওইরো, লৈঙাক্কী এমপ্লোয়ীবু ওইরো, দুকান, স্কুল, কোলেজ, বোর্দিং হাংবা, শম ককফমদগী হেন্দোরক্তুনা চিক্কন সেন্টর, য়ু য়োনফম ফাওবা শেলগী দিমান্দ তৌরক্তুনা অঙম-অঙম খায়গৎনরক্লে হায়রি। পূম্নমক অসি চহী অমা মখায় হেল্লল্লবা লান কুকি-মীতৈ মুক্লবা অসিনা পীরকপা খুদোলনি হায়বসু য়াই। লানগী চৈথেং নংলবা লমদম অসিদা ইকোনোমিগী ফীভম খংশোক শোকচিনখিবদগী তৌফম খঙলক্তবা, শূফম নোম্ফম লৈরক্তবদগীসু অঙম-অঙম্বা শেৎত্তনবা, মুনবা, ফোইবা, লাকপা তৌরকপনি। লানগী খুদোংচাবা লৌরগা শেল তানবা কাঙবু-কাঙবু থোরক্লেসু হায়নরি। হায়ন-শক্লবা য়াদবা নোংমৈতা শৎকনবা পার্টি অমগী দিমান্দ লেট্টরদু উৎলগা ঐগা খঙনবা ডাক্তর অমনা হায়খিবদু নীংশিংলকই - “য়েংঙু ইবো তু সিনি ঐসি নহানমুক্কী মপোক্তা মখোয়গী মপা-মপুগী শেল তোল্লগা হন্দক মপোক্তা পোক্লকপা জাৎনি। মখোয় মপাগী তোল্লম্বা শেল থৌবা ওইরমাল্লে। নহান গেৎতা থল্লল্লিবদু শেন্থৌ বোমনি।

হৌজিক শেনখায় থুমখায় হুন্নবা হোৎনবদা দুকান ফাওবা ফম্বা ঙল্লক্তবদগী থোঙ লোন্নখিবা য়াওরে। শো-রুমগী দুকান অনৌবা অমা হাংলক্লবদি শেল লৌফম, মুনফম নুংঙাইবা মফম অমা হাংদোরক্লে হায়না লৌনবসু য়াওরমাল্লে। খাঙবা লাকপা ঙল্লক্তবদগী মণিপুর পুলিসনসু এন্টি এক্সটোর্শন সেল হাংদোকখ্রে হায়রি। মীয়াম্নসু ফুল কোওপরেসন পীবিয়ু হায়রি। এন্টি করপসন সেল হাংদোকখিবদা লুপা ৫০/১০০ খক্কী পিওন, কেরানিখক্তদা দষা তারগা তোকখি। লুপা লাখ/ক্রোর চাবা করপসন, ব্রাইব তৌবা অমত্তা ফাখিদ্রি। মরম অদুনা এন্টি এক্সটোর্শন কয়া ওইগদবা মান্দে। মদুগী মহুত্তা কাওবোইগী টাইপ্তা মী খুদিংমক লোইনা নোংমৈ পায়হল্লগদি উশিৎনগদ্রা খল্লি। ●

# ইমালোল য়োকখৎনবা লোলয়ান শীজিন্নবা থিংবগী তঙাইফদবা - ৭৬

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

অসুম্না তোঙান তোঙানবা ওজাশিংদগী খোমজিল্লবশিংদু ঐগী ডাইরি (মীরোল) দা ইশিল্লগা য়াম্না চেকশিন্না থম্মী। মথক্তা হায়খিবদুম্না মতাং মতম চাবদা অয়ূক-নুংথিল-নুমিদাংদা লোন্না চিনফা পুনবা হোৎনৈ। চিনফা পুরবা খরদু খঙনবা ওজা অমদি খুলগী মীওই খরদা মতম চানা হায়দুনা হংবদা - “ওজাদি ঐখোয়গী লোল য়াম্না খঙলল্লেনা হায়না য়াম্না হরাওবগা লোয়ননা থাগৎলকখি। মসিদগী অহানবা কান্নবা ফংখি সার” হায়না খুল্লকখি। মাম্মনা তাকপীরকখিবা খরদুদগী অমুক ইশানা (ওজাদুনা) অখন্নবা মীরোল খরা অমুক তোঙান্না অসুম্না ‘মীতোপ লাকপ্রা, লাক্তে, লাক্লগা নখোয়না লোৎশিন্দুনা থল্লবদি নখোয় পূন্না হাৎকনি, হয়েং নৎত্রগা হংচিৎ অমুক মীরোলদা চ্যেক (ইমালোলদনা য়েংশিনবা) তৌবা লাক্কনি, ঙসিগীদি চৎলে” হায়বসিনা মমল য়াল্লবা য়াইবী থৱায় কনবা ঙমগনি খঞ্জবদগী য়াম্না কন্না লাইৱাগুম্না লৌরগা চিনফা পুনবা নুংতি নুমিৎ খুদিংগী য়াম্না কন্না হোৎনবদগী লৈতোন্দা পক্তুনা লৈখি। অনীশুবা কান্নবনা - মখাদা লীজরক্কদবা অশেঙবা ৱারী মতেকসিনা লেঙদ্রবা খুদম ওইনা থমজগে হায়রগা মখা চথ্থরকখি।

সার (মতম অদুগী ওইবা, অইবা ইশাদা-মীরোল) - ঐনা (ওজাদুনা) চহী অনীরোম থোইদোক্লা অকি-অখং য়াওদনা মফমদুগী স্কুলদুদা পূন্না ওজা ওইমিন্নবা ওজা অমগী অশানবা কা (মীরোলদা - রেন্টেদ রুম) অহুমদা খরা লাপ্পা চীংগী মফম অনীদগী লাকপা ওজাশিং ঐখোয় অহুম থংননা লৈবা কা অহুমদা লৈমিন্নৈ। নোংমদি নুমিদাংগী পুং ৮ রোম তারকপা মতমদা চীংগী লালহৌবা অমগী খূৎপু ওইগনি খনবা অমা লাক্লগা লৈরিবা কা অহুমদুগী মচিন থংবা কা অনীদা লৈবা চীংমী ওজা অনীদুদা লানহৌবশিংদুদগী খরনা মখোয়গী (চীংমী ফূরুপ্তুগী) মরোলদা ‘মীতোপ লৈব্রা, লৈরবদি হাৎকনি’ হায়না হংবদা ওজা অনীদুনা চিনখুম চপ মান্ননা ‘মীতোপ অমত্তা লৈতে’ হায়বদগী মাগী (ওজাদুগী) কাদদি হংলমদনা চৎখিবদু ‘নিংশা থিংলগা য়াম্না পাখৎনা তূমিন্না তারগা পাম্বে লৈতবনা নোংদম্বা লাইবু শোল্লগা লৈখি। চীংমী ওজা অনীদুনা ঙহাক লৈরগা থোঙশিংদু তপ্পা হাংদোক্লরগা তূমিন্না লানহৌবশিং চৎখ্রা য়েংবগী মওংদা তৌখিবা মানবদগী মহাক মশা (ওজাদু) তূমিন্না ফমুং কাখৎলগা তূম্বা শাশিন্নরগা ঙাইহাক লৈখি। তাল্লক্তুন্দা চীংমী ওজা অনীদুনা মখোয়গী মমিংশিং হায়রগা ওজাদুগী থোঙদু থিল্লগা হৌদোরকখি। ওজাদুনসু করি তৌরে ওজা, থোঙ হাংদোক্কে হায়রগা থোঙ হাংদোল্লবা মতুংদা চীংমী ওজা অনীদু ঐগী (ওজাদুগী) কা মনুংদা চঙলল্লগা - ‘ওজা, ঙসাই লানহৌবা খরা লাক্লগা মীতোপ লৈব্রা, লৈরবদি হাৎকনি হায়বদা মীতোপ অমত্তা লৈতে হায়না ঐখোয় অনীনা চপ মান্ননা হায়বদগী চৎখিবদু ওজা তাব্রা’ হায়না হংবদা - “ওজা ঐদি তূমথরুবনা করিমত্তা খঙহৌদ্রে” হায়না খুমখি। মদুদা চীংমী ওজাশিংদুনা য়াম্না চম্না অদু ওইরবদি য়াম্না ফরে, নুংঙাইনা তূল্লো, ঐখোয়সু ইশা-ইশাগী কাদা চঙলগা তূম্লুরগে হায়রল্লগা চৎনখি।

অদুগী মখাদি কমদৌরে হায়না খঙনীংনা হংবদা- সার (অইবদা) মতমদুদা ঐগী মামতোন্দু খঙহৌদনা ঐগী (ওজাদুগী) মাঙদা লাক্লগা লেপ্লবগুম তৌনা খনখি। মথংদা ঐগী (ওজাদুগী) মামতোন্না তাকপীখিবশিংদুগী মমল নাইদ্রবা ৱাহায়শিংদু কয়াম কান্নবগে হায়বদু খঙলকখি। করিগুম্বা মামতোন্না তাকপীরমদ্রবা, তাকপীরগসু ঐহাক্লা (ওজাদুনা) থবক ওইনা পাঙথোক্লমদ্রগদি ঐ ইশানা চীংমী লালহৌবশিংদুনা হায়রম্বদুবু খঙবা ঙল্লমলোইদবনি। মসিগী মথক্তা ওজা ওইমিন্নবা চীংমী ওজা অনীদুনা চপ মান্ননা ‘মীতোপ লৈতে হায়না মখোয়গী মরোলদা হায়রমদ্রবদি ঐগী (ওজাদুগী) কাদসু থিন্দুনা হৌদোরকপা য়ারম্মীপোৎনি। থোঙ হাংদোক্তবা য়াদবদগী হাংদোল্লবদি ঐ (ওজা) দা নত্তনা ঐখোয় অহুম্মক (চীংমী ওজা অনীগা ওজাদুগা পূন্না কোন্ননা) শিবা হায়বদু শোয়দ্রবনি। নোংদম্বা লাইনা থৌজাল নোংদম নোংখাইবিরম্বদগী শিহৌদবনি - থোকখিবা থৌদোক্তু নীংশিংলুবদা তু চুংই হায়রগা মকোক মমায় মখূৎ অনীদুনা মশা-মতোমতা নান্থজখি।’ পাম্মুরবা য়াইবী থৱায় ঙাইহাক্কী ওইনদি কল্লবনিনা পাখৎপগী মহুত্তা ইশাগা (ওজাদুগা) লোয়ননা পুদবা য়াদবা শেল, পোৎ চৈ, মীরোলদা ডাইরিনচিংবা কয়াদা অমদি করম্না হাপ্পা হায়না খন্না-খন্না পোৎ য়োমশিনবা হোৎনবদা তূম্বগী ৱাখল চঙলকখিদে। অহিং ওইরিঙৈদা মফমদু থাদোক্তুনা চৎনবা খল্লকপদা অনৌবা ৱাখল অমা খঙহৌদনা লাকখি।

স্কুলদুদা ওজা ওইমিন্নবা নুংশিরবা চীংমী ওজা অনীদুগী অঙৌবা চেবাং অনীদা তোঙান-তোঙান্না মমিংশিং থারগা চপ মান্নবা ৱাহায়শিংনা অসুম্না ইখি- ‘নুংশিজরবা ওজা অনীগী মফমদা অইবা চেরোলশিংসিনা ইহুৎ ইরেং শিন্না খঙহঞ্জরি মদুদি তঙাইফদনা মমল য়াল্লবা ইশাগী য়াইবী থৱায় কনবা ঙমজনবা থেংলবা অহিংসিদা মফমসি থাদোক্তুনা নোংদম্বগী নোংদমখোল থৌজাল য়েংলগা চৎলগে হায়না লেপচরে। চিন্না হায়রমগদৌবদু ওজাশিংদি নুংঙাইনা তূম্বগী মওংদু তাবা ফংজবদগী হৌদোক্তুনা অপনবা পীজনীংদবদগী অইবা চেরোলসি ওইনা ওজা অনীগীদমক তোঙান-তোঙান্না থোঙজিন্দা য়েপশিঞ্জরগা থমজরল্লবনি। ৱারৌবীগনুকো ওজাশিংনা। মতম চানা ওজা অনীনা পাউ পীবিদুনা খঙহনবীবদগী মমল য়াল্লবা ইশাগী য়াইবী থৱায় কনবা ঙমহনবীবগীদমক নুংশিজরবা ওজা অনীবু হায়নীংঙাই লৈতনা থাগৎচরি। তাইবঙ শেন্বা মপূনা ওজা অনীবু থৌজানবীবা ওইরসনু হায়না কায়নরমদাইগী মতমসিদা থৌনিজরি।

অদোমগী - নুংশিনজরম্বা ওজা অঙ্গো।

নোংদম্বা মপুগী থৌজালনা লানহৌবশিংগী থম্মোয়দা চংশিনবীদুনা চীংমী ওজা ওইমিন্নবা অনীদুনসু চিনখুম চপ মান্ননা হায়বদা থাজখিদুনা মখা তানা লানহৌবশিংনা হংলমদনা চৎখিবদগী ওজাগী য়াইবী থৱায় কনবা ঙমহৌবসিনা অহানবা খোঙথাং ওইরগা অনীশুবা ওইনা য়াইবী থৱায় কনবা ঙল্লকখিবগী য়াম্না মরূ ওইবা তাঙ্কক্কী ৱারীদুনি খৌরাংনা তানীংলিবসি হায়বগী মতাংদা মখাগী অসুম্না ৱারী মখা চথ্থরকখি।

চীংমী ওজা অনীদুদি য়াম্না নুংঙাইনা তূম্বগী ইঙ্গিৎ (খুদম ওইনা নাখোকপনচিংবা) ফংবদগী ঐনা (ওজাদুনা) লোন্না থোঙ হাংদোক্তুনা পুগদবা পোৎ চৈ খরদু পুরগা লৈফম কাদুদগী থোরল্লগা কুইনা পন্থবা য়াদবনিনা নুংশিজরবা ওজা অনীদুগী থোঙজিনশিংদা মমিং-মমিংশিং থাবা অইবা ৱারোল য়াওবা চেবাং অমমম ফজনা থুপচিল্লগা ইনশিল্লগা থল্লম্মী। পন্থদনা মখা করি থোকপা য়াবা খঙবা ঙমদবনিনা পাখৎকনু হায়বদি য়াদবনিনা ৱাখলদি মাঙদনা কন্না হোৎনরগা চীংচেপ্তা চৎলিবা লম্বী (মীরোলদা-রোদ) থুনা য়ৌবা ঙমগদবা য়েংনা-য়েংনা লাকপদা য়াম্না থাপ্পদা নুমিদাংনিনা গাড়ীগী থাওমৈ মঙাল (মীরোলদা - লাইট) দু উবদা শিবা চঙবা লাইবক য়েংলগে হায়দুনা চেনবোই চৎপোই তৌবদা খোঙফম চাদবদগী মতেক খরা ওন্থরকখি। লাইবক ফবদগী য়াম্না শাথীনা শোকপগী চৈনা ফাওদবদগী লেপ্পা লৈতনা অঙম্বা চীংথক্কী লম্বীদুদা তম্পাক লমগী লম্বীগী ৱাখলদা গাড়ীদুনা য়ৌশিল্লক্ত্রিঙৈদা মীয়াম্না অমদি গাড়ী চৎনরিবা লম্বীদু য়ৌহৌনবা অঙম্বা চীংদু কুম্লকপদা ৱাবগা খঙখিদে। লাইগী নোংদমখোন্দগী থেক্লা খোয়না চৎপা লম্বীদুদা য়ৌরকখিবা গাড়ীদুদগী মঙালদু মপা চাখিবদগী অরাপ্পা মফমদা উবা ওইখিবনা ঐনা (ওজাদুনা) গাড়ী চৎনরিবা লম্বীদু খজিক্তং হান্না য়ৌবা ঙমখি। হোরেল গাড়ীদু খান্বদা খান্বীয়ু য়াগদ্রা য়ারোইদ্রা অমদি গাড়ী থৌরক্লিবা মীশক্তু করম্বা ফূরুপকী মী ওইরমগদগে খনবদা ঙাইহাক্তি ৱাখল ৱাখি। অদুবু সিগী ফীভমসি ওইরবদি লাইনা তম্বা থোল্লবা অমা শোয়দনা লাক্লগনি খল্লিঙৈদা লেপ্পা লৈতনা থৌরকপা গাড়ীদু উ বিম (ইরোল-মীরোল) পীক থন্না য়াওবা মতম অমগী চীংদা য়াম্না থৌনবা/শীজিন্নবা মীরোলদা - শক্তিমান হায়বা গাড়ীদু ওইরমখি। হরাউমনবগা লোয়ননা খল্লম্বা ৱাখল লোইনমক কাউথোল্লগা লম্বী ময়ায়দা লেপ্লগা - ‘গাড়ী ঙহাইহাক্তা খান্বীয়ো, ঐসু য়াওজগে’ হায়না খূৎ হাইরগা লাউবদা নুংশিবীবদগী মফম চাবা য়েংলগা গাড়ীদু খান্বীখি। অদুদগী চেনশিল্লগা য়েংলুবদা ‘মীতৈ মচা অনী ওইরম্বদগী ঐখোয় অহুম শুরবনিনা ৱাখল খরা লূম্না, নুংঙাইনা গাড়ীদু তোংদুনা হৌখিবা ৱারী শারগা লাকমিন্নখি। অদুবু নুংঙাইতবা ৱাফম অমদি তোঙানবা খাও মচা অমদা অথু-অকায়গী ওইনা শীজিন্নবা হাপ্পা শেনফম খরগা মিং থাদবা ইমালোলদা ইবা মরূ ওইবা চীংমীগী মরোল য়াওবা খাওদুদি মতেক খরা চীংগী অঙম্বদগী ওন্থরকপদা তাহৌরমাল্লে, খঙলকপা মতাংদুনি। ●